# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




দি আই পি আরনা শীন্দুনা লোয়শঙ অসিদা পাঙথোকখিবা নেশনল প্রেস দে, ২০২৫গী থৌরমদা অখন্নবা মীথুংলেন ওইখিবা শক্লাইরবা এদিটর প্রদিপ ফাঞ্জৌবমনা থৌরমগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখিবা


থম্মোয় পাউদম : ইরমদগী মীরমদা - ২৭ ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ লৌউ-শিংউ চাওখৎনবগীদমক ত্রেনিং ...
হৱাইথরাকতা তাগনবা মরু ওইবা লায়না অমদি... ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ অফ-ফত্ত খন্নরোইদবা ওইরবদি এগজিক্যুটিভ ...
বিহারগী অনৌবা লৈঙাক থা অসিগী ১৯/২০ দা... ☛ লামায় ৯
লামায় ১২ ☛ প্রতাপ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ...


নেক্সজেন ফাউন্দেশন, থৌবালনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মহৈরোয়শিংগী চাংদম্নবশিংদগী বেষ্ট ষ্টুদেন্ট মনাগীদমক খনগৎলবা খাঙবোককী কে এম ব্লুমিং স্কুলগী মহৈরোয়দা শেলগী মনা খূৎশিন্নবা





Vol. 49, Issue No. 223 | নিংথৌকাবা, হিয়াঙ্গৈগী ২৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Monday, November 17, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## ‘পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট’ শেম্বদদি সেন্টরগী লুচিংবশিংনা য়ানীংলে অদুবু লিদরদি খন্দ্রি, হান্নগীদুদি থাজদ্রে : বি জে পি এম এল এ

‘থা অসিগী ২০দা আর এস এসকী মকোক থোংবা লুচিংবা ডা. মোহন ভগৱট লাক্লবা মতুংদা বি জে পিগী নেশনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দাসু লাক্কনি হায়রি’

হুইয়েন ব্যুরো




**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১২দা বি জে পিগী নেশনল জেনরেল সেক্রেটরি বি এল সন্তোশ অমসুং পার্টি অসিগী নোর্থ-ইষ্টকী কো-ওর্দিনেটর সম্বিত পাত্র লাক্তুনা নুমিৎ নীনি লৈরমখিবগী মনুংদা বি জে পিগী চঙন-থোক্লা য়াদ্রিবা এম এল এ খরা নত্তনা অয়াম্বশিংগা মীফম পাঙথোক্তুনা অনৌবা পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি অমা শেম্নবগী মতাংদা খন্ন-নৈনরম্লবা মতুংদা মণিপুরদা পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি অমা লৈহনবদা সেন্টরগী লুচিংবশিংনা অয়াবা পীরব্রা, শোয়দনা লৈহল্লগনি হায়রবদি করম্বা মতমদা মিনিষ্ট্রি অদু শেমগদগে হায়বা য়াওনা অমুক হন্না মীয়ামগী লৈঙাক লৈরক্লবদি মদুবু কনানা লিদর ওইদুনা লুচিংগদগে হায়বা ৱাহংশিং চীং অমসুং তমগী মফম কয়াদগী হংনরক্লি।

অদুগা ৱাহংশিং অসিগা মরী লৈনবা মাগী-মাগী অনীংবা-অপাম্বশিংসু সোশল মীদিয়াগী প্লেটফোর্মশিংদা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা লেপ্তুনা ফোঙদোক্লরক্লি।

অদুম ওইনমক ৱাহংশিং অসিগী চপ চাবা পাউখুমশিং ফংবা ঙম্লক্তবদগী ঙসি নুমিদাংৱাইরম পাউচে অসিনা বি জে পিগী এম এল এ অমগা ৱারী শানদুনা ৱাহং অহুম্মক মঙোন্দা হংলুবদা মহাক্না হায়, মণিপুরদা পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি অমা শেম্বগী ৱাফমদি সেন্টরগী লুচিংবশিংনসু য়ানীংবগী ইঙ্গিৎ পীরে। অদুবু করম্বা মতমদা মিনিষ্ট্রি অদু শেমদুনা লৈহল্লক্কদগে হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রকখি।

হন্দক বি এল ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## আর এস এসকী মকোক থোংবা লুচিংবা মোহন ভগৱট নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎতা নবেম্বর ২০দা লাক্কদৌরি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচএনএস) :** ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫গী নুংথিল পুং ৪.৪৫ রোম তারকপদা মতমদুদা লৈরম্বা মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবনা রিজাইন তৌখ্রবা মতুং ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থম্লগা প্রসিদেন্টস রুল চলাইরকপদগী মসিগী মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাক অদুবু লুচিংখিবা বি জে পিগী এম এল এশিংনা মরু ওইনা পি আর লৈঙাক অসি লোইশিন্দুনা পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি অমা লৈহন্নবা সেন্টরগী লুচিংবশিংদা অকনবা প্রেসর পীরকপদগী থা অসিগী ১২দা বি জে পিগী নেশনল জেনরেল সেক্রেটরি বি এল সন্তোস অমসুং নোর্থ ইষ্টকী কোওর্দিনেটর সম্বিত পাত্র লাক্তুনা নুমিৎ নীনি লৈরম্লবা মতুংদা আর এস এসকী মকোক থোংবা লুচিংবা ডা. মোহন ভগৱটসু থা অসিগী ২০দা লাক্কদৌরি।

পাউচে অসিনা থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়বদা নুমিৎ অসিদা রাষ্ট্রিয় শ্বায়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস) কী লুচিংবা অসি অয়ূক পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফালদা থুংলগনি হায়রি।



মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা আর এস এসকী নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিং পুরিবা থৌপুবা অমা অমসুং অখিল ভারতিয়া করিকানি সদশ্য উলাস কুলকারনি য়াওনা অতোপ্পা মীওই মরিসু লোয়নরক্কনি হায়রি।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম ফাওবগী ওইনদি সঙ্ঘ অসিগী মকোক থোংবা লুচিংবা ডা. মোহন ভগৱটকী খোঙচৎ অসি অদুঙৈ কুমজা ১৯২৫দা লিংখৎখিবা আর এস এসনা চহী ১০০ মপূং ফারকপগী লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোরক্লিবা ‘প্রভাস’ গী থৌরম ইম্ফালদসু মহাক মশানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লবগীদমক লাক্কদবনি হায়রি।

### মণিপুরগী প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক থুপচিল্লগা অনৌবা পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি অমা শেম্বগা মরী লৈনবা খোঙচৎ ওইগদ্রা নৎত্রগা ওইরোইদ্রা খঙদ্রি

সঙ্ঘনা চহী ১০০ শুরকপগী থৌরম অসি মমাঙ থাগী ২ (ওক্টোবর ২, ২০২৫) দগী হৌনা পাঙথোকপা হৌরকখ্রে। অদুবু চহী ১০০ শুরকপগী থৌরম অসি ইম্ফালদসু পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

মহাক্না হেক থুংলবগা ইম্ফাল এয়রপোর্টকী মমাঙদা লৈরিবা আর এস এসকী ভাস্কর প্রভাদা থৌরম অসি পাঙথোক্কনি। থৌরমগী মনুং চন্না তোঙান তোঙানবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ইম্ফাল-গুৱাহাটি-ইম্ফালগী ফ্লাইট টিকেটকী মমল এয়রলাইনশিংনা লৌনীংবা চাংদা লৌরে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচএনএস) :** গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা মমাঙ থাগী ৩০দা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী সিভিল এভিএশন মিনিষ্টর কিঞ্জরাপু রাম মোহন নাইদুদা অইবা চেরোল অমা পীদুনা ইম্ফালদগী ওপরেট তৌরিবা ফ্লাইটশিংগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীনবা অমসুং ফ্লাইট মশীং হেনগৎহনবীনবা হায়জখ্রবসু ঙসি ফাওবদদি সিভিল এভিএশনগী মায়কৈদগী ফ্লাইট মশীং হেনগৎহল্লক্তবনা ইম্ফাল-গুৱাহাটি-ইম্ফালগী ফ্লাইট টিকেটশিংগী মমল তোঙান তোঙানবা এয়রলাইনশিংনা লৌনীংবা চাংদা লৌরে হায়রি।

ঙসি নুমিদাং পুং ১০ হেল্লকপা ফাওবদা গুৱাহাটিদা লৈবা মীতৈ মচা অমনা পাউচে অসিদা টেলিফোনগী খূত্থাংদা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিংদা মহাক্না হয়েং (নবেম্বর ১৭, ২০২৫) দা গুৱাহাটিদগী ইম্ফালদা লাক্ন বগীদমক ফ্লাইট টিকেট কক্নবা হোৎনরুবদা টিকেটকী মমল লুপা লিশীং ১৮/১৯গী চাংদা লৈরম্বা থেংনরে হায়রি।

ফীভম অসিদি অনা-অয়েক্কীদমক অথু-অকায়গী চৎকদবা মীওইশিং অমসুং শেল য়াম্না লৈজদবা মীওইশিংদদি খম থেংনা অৱা-চৈথেং পীরগনি হায়না পেন্দবা ফোঙদোরকখি।

মীওই অসিনা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোরকপদগী পাউচে অসিনা ঙসি নুমিদাং ইম্ফাল এয়রপোর্টতা ওপরেট তৌরিবা এয়রলাইন অমগী ওফিশল অমদা হংলুবদা হৌজিক্কী ওইনা ইম্ফালদগী গুৱাহাটিদা পাইবা এয়র ইন্দিয়া এক্সপ্রেসকী ফ্লাইট অমখক লৈ। অদুগা ইন্দিগো ফ্লাইটসু শুপ্নতগী নোংমদা গুৱাহাটি ফাওরগা অনীখক্তমক পাইবদগী ইম্ফাল-গুৱাহাটিগী মরক্তা ওপরেট তৌরিবসি শুপ্নতগী ফ্লাইট ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপীগনু, য়াইরিপোক্কী মীয়াম্নসু বোইকোট তৌবীয়ু : এন এস এ এল

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২১দগী ৩০ ফাওবা মণিপুর লৈঙাক্না শীন্দুনা পাঙথোক্কনি থৌরাংলিবা সঙাই ফেষ্টিবেল অসি হৌজিক ষ্টেট অসিদা তংদু লৈতাদবা ফীভম লৈরিবগা লোয়ননা ময়ূমদা হঞ্জিনবা ঙমদনা রিলিফ কেম্পতা আই দি পি লিশীং ৫০ রোম্না অৱাবা চৈথেং খাঙলিঙৈদা ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈতে। মরম অসিনা ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোকপীগনু অমসুং য়াইরিপোক মায়কৈগী মীয়াম্নসু বোইকোট তৌবীয়ু হায়না নোংপোক সয়াং অপূনবা লুপ (এন এস এ এল) না ফোঙদোকখ্রে।



ঙসি নুমিদাংৱাইরম কেক্রু য়াইরি ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট আনন্দ লাইশ্রমনা হায়, লুপ অসি থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়দগী হৌরগা চন্দ্রখোং ফাঞ্জখোং ফাওবদা লৈবা খুল কয়াগী ক্লব/ওর্গনাইজেশনশিংনা পূনশিল্লগা শেম্বনি। হৌখিবা চহীদা লেপ্পুরগা হৌজিক লৈঙাক্লা পাঙথোক্কনি ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## অনৌবা টেক্নোলোজি কয়া লাক্লবসু পাউমীশিংনা পাউ ইবদা য়াম্না চেকশিনগদবনি : প্রদিপ ফাঞ্জৌবম

### নেশনল প্রেস দেগী থৌরম পাঙথোক্তুনা মণিপুর ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ২০২৫ য়েন্থোকখ্রে, ‘স্পোর্টস রিপোর্টিং’ গী এৱার্দ অল্কা থোকচোমদা খূৎশিন্নখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচএনএস) :** হৌজিক পাউমীশিংগী থবক্তা অনৌবা টেক্নোলোজি কয়া অমা থোরক্তুনা মহুৎ শিল্লকপা হৌরে। মতমগী খোঙচৎতা অওনবা কয়া অমা ঈ-পাউগী লম্দসু লাক্লে। হৌজিক্তি খুদক-খুদক্তা পাউ থানবা য়ারে। মতম অমদা ফোটো অমা হাপ্পবা অমদি পাউ অমা হাপ্পবা হোৎনবদা মতম কুইনা চঙলম্বা অমসুং ওফিসতা লাক্লগা পাউ অমসুং ফোটো পীরম্বদু হৌজিক্তি খুদক্তা স্মার্ট ফোনগী মতেংনা য়ৌহনবা য়ারে হায়না ইম্ফাল রিভিয়ু ওফ আর্ট এন্দ পোলিটিক্সগী সিনিয়র এদিটর প্রদিপ ফাঞ্জৌবমনা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি দি আই পি আরনা শীন্দুনা কৈশাম্পাৎতা লৈবা লোয়শঙ অসিগী ওদিটোরিয়মদা নেশনল প্রেস দে, ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## লৈখিদ্রবা রতন থিয়ামবু ‘সুমিত্রা চরট রাম এৱার্দ ফোর লাইফ টাইম এজিভমেন্ট ২০২৫’ পীদুনা ইকায়খুম্নরগনি



**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচএনএস) :** চৎলিবা চহীসিগী জুলাই ২৩দা তাইবঙপান থাদোকখ্রবা মণিপুরগী শক্ল ইরবা থিএটর পর্সনেলিটি রতন থিয়ামদা সুমিত্রা চরট রাম এৱার্দ ফোর লাইফ টাইম এচিভমেন্ট ২০২৫ পীদুনা ইকায়খুম্নগদৌরি।

এৱার্দ অসি লৈখিদ্রবা রতন থিয়ামনা প্লেরাইট, দিরেক্টর, দিজাইনর, এক্টর অমসুং ফিলোসোফর ওইনা চহী ৫০ রোম চূপ্পা লৈবাক অসিগী কন্টেম্পররি থিএটরগী মশক লেপথোক্লবা লৌরম্বা থৌদাংশিংবু শকখঙদুনা পীগদবনি হায়রি।

এৱার্দ অসি হয়েং কমানি ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কদবা শ্রীরাম ভারতিয়া কলা কেন্দ্র (এস বি কে কে) গী চীং লেন্নবা থৌরম অমদা লান্থোক্কনি। হয়েং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০দগী হৌগদবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০২৫

## বোইকোট তৌবদা উরিপোক অপূনবা লূপ অমসুং উরিপোক অপূনবা নুপী লূপনা শৌগৎকনি




**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচএনএস):** উরিপোক অপূনবা লূপ অমদি উরিপোক অপূনবা নুপী লূপকা লোয়ননা ঈনাৎ য়োকখৎ লূপতিন (ইয়োল) গা পূন্না শিন্দুনা উরিপোক অপূনবা মীফম হায়বা পান্দমগী মখাদা উরিপোক মায়কৈগী ইরমদম অসিগী শেন্মীৎলোন, খুন্নাইরোলগা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ত্রক দ্রাইভরশিংদগী শেল মুনবদা চেন্নবা ৪ ফারে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ১২/১৩গী লোন্নবা অহিংদা নোনে পার্ট ফাইভকী ৱেটিং সেদ মনাক্তা খাম্বা ত্রক অমগী ৱিন্দসিল্ড থুগাইরম্বগা লোয়ননা দ্রাইভরশিংদগী অয়াও অয়াওবা শেনফমশিং মুনবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই মরি ঙসি নোনে পুলিসনা ফারে হায়রি।

ফারবশিংদি নোনেদগী কোলিন কামৈ অপোকপা অচিং কামৈ, লুংথুৱান গাংমৈ অপোকপা গাংনাংলুং গাংমৈ, নিয়ামথাইপৌ কামৈ অপোকপা অচিং কামৈ অমসুং পি ঐচ পৌদুৱাঙম অপোকপা পি ঐচ শামুএলনি হায়রি।

থৌদোক অদু মখোয় মরিনা য়ু থক্লগা চথুখিবনি হায়বসু পুলিসনা খঙবা ঙন্নে হায়রি।

## মহৈরোয় ১দি নহাশিংবু অরানবা মায়কৈদা চৎখিদনবা হোৎনগদবনি : স্পিকর



**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী মহৈরোয়শিং অমদি নহাশিংবু অরানবা মায়কৈদা চৎখিবদগী কলহৌনবা পূম্নমক্না হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে হায়না স্পিকর টি ঐচ সত্যব্রতনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মহারাজ বোধজন্দ্র কোলেজ এল্লমনাই এসোসিএশন অমদি কোলেজ অসিগী ইন্টর্নেল ক্বালিটি ইন্সুরেন্স সেল (আই ক্যু এ সী) না খূৎশম্নদুনা কোলেজ অসিগী মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোকখিবা এল্লমনাই মীট-২০২৫গী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## য়ু জি অনী ফারে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী পাৎশোই পুলিস ষ্টেশনগী জ্যুরিসদিক্সন মনুং চল্লিবা খুম্বোং অৱাং লৈকায়দগী নোংমাইথেম বিদ্যাসাগর এলিয়জ কপচাওবা (২৪) কৌবা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী কাদর অমা মহাক্কী ময়ূমদগী মোবাইল ফোন অমা অমসুং আধার কার্দ অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

...মখা লমায় ৩ কলম ১

স্লোগান

“রাইজ ৱিথ অজ-জোইন দি নেশনল মুভমেন্ট ফোর কলচরেল রিজেনরেশন”
- ইয়োল

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## ইম্ফাল এয়রপোর্টতা মিরাজ ২০০০ মরি পাইরকপদা পাখৎনরুরে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ূক পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী ইম্ফাল এয়রপোর্ট তন্না ৱার প্লেনশিং ওইরিবা মিরাজ ২০০০ জেট মরি পাইরকপগী অহৌবা মখোল তাবদা এয়রপোর্ট অসিগী অকোয়বদা লৈবা মীয়াম য়াওনা জেটশিং অসিগী মখোল তাবশিং পাখৎনরুরে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা এয়রপোর্ট অসিগী ওথোরিটিদা হংলুবদদি মিরাজ জেট মরি অসি রুটিন এক্সর্সাইজ ওইনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী পাইরকপনি। হায়রিবা এক্সর্সাইজ অসি নোংমা-নীনি চোন্থনা চথুরকপা য়াই হায়রকখি। এয়রপোর্ট অসি তন্না পাইরকখিবা জেট মরিগী মনুংদা অনীদি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা তারমদনা অদুমক মমায় লৈরগা অমুক হন্না পাইখি অদুগা অতোপ্পা অনীনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা তারগা পুং খরা লৈরমখি অদুগা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৪০ রোম তারকপদা এয়রপোর্ট অসিদগী পাইথোক পাইশিন তৌগদবা ফ্লাইটশিংগী সর্ভিস লোইরবা মতুংদা অমুক হন্না ৱেষ্ট বেঙ্গলদা পাইখি হায়রি।

## রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা ঐখোয়বু শা-ষণগুম্না অমদা অমুক হোংজিন, অমদা অমুক হোংহন তৌদুনা থম্বসি য়ানীংদে : ভিক্টোরিয়া

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
চূড়াচন্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী খুগা তম্পাক্তগী খুঞ্জা

**(হান্নগী মখা...)**

চূড়াচান্দপুরগী খুগা তম্পাক্তগী লাঞ্জেল্লক্তুনা হৌজিক লান অসিগী ৱারোইশিন পুরক্তবদগী চহী অনী মখায় হেন্না রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী মশাগী চহী ৪৬শুরবী ওইনাম ভিক্টোরিয়া, মপুরোইবা নাওরেম শ্যাম মঙাংনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, ঈশানা নিঙোল অমা ওইরবসু হন্দক পাঙথোক্লখিবা নিঙোল চাক্কৌবগী মতম লাকপদা করিসু হরাও নুংঙাইবা ফাওদ্রে। ইমা-ইপা, ইবুং-ইপ্পাশিংনদি চহী অমদা অমুক্তং লাকপা কুম্মৈনি হায়দুনা হরাও হরাও চাক্কৌবা লাকউ হায়বা লাকখি। অদুবু রিলিফ কেম্প অসিদা চঙজফম লৌদুনা লৈরকপনা লাঞ্জেন্নরকপদা ফদি মতৎ অমা নত্তনা করিসু পুরকপা নংদনা চেল্লকপনিনা চাক্কৌবগী মতমদু লাকপদা করি শেৎ-চাদুনা চৎকনি, ইপামগী মীওইশিংগী মমাঙদা করিসু ইকায়বদি নত্তে অদুবু নিঙোল চাক্কৌবদা নিঙোল ওইজরিবী অমনা ফজবা ফিরোল শেৎ-চাদুনা কেরগা চৎনীংই। অদুবু পূম্নমক অদু ওইথোক্লরোই খনবদগী নিঙোল চাক্কৌবা লাক্লবা হায়বা লাকখ্রবসু চৎখিদ্রে। মসিগী মথক্তা পূক্লিং ৱাখল অসুক য়াম্না ৱারবা তাঞ্জাসিদা নিঙোল চাক্কৌবগীদমক হরাও তয়াম্বা করিসু ফাওদ্রে হায়রকখি।

ময়াম্না নুংশিবীদুনা রিলিফ কেম্পতা লাক্লগা চাক কৌবীবা অমসুং খুদোল পোৎ পীবিবনচিংবা তৌখি অদুবু মদুমক্না হরাওবা হায়বদুদি ওইখিদে। লাইবক ফবা অমনা ঐহাক্না লুনা তিন্নজরকপা এন জি ও তৌবা ইচে সোভানানা ঐহাক্কী অৱাবা কয়া উবীদুনা এন জি ওগী থবক অমদি হৌজিক তৌবা ফংজরে। মসিগী হায়রুরগদি অনকপা মরী-মতা ফাওবনা নোংমতা ঐখোয়গী অৱাবা কয়া অমা হংবীরদ্রবসু করিসু থোক্লদবা মীওইনদি ঐখোয়গী অৱাবদা শরুক য়াবীরি অমসুং মখোয়গুম্বা মীওইশিং অসিদি অৱাবা তারবা ঐখোয়দি লাইনা থাবীরকপগা চপ মান্নরে হায়রকখি। মসিগীদমক পাউচে অসিগী খূত্থাংদা মহাক্না ইচে কৌরিবা সোভানাবু থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

অরোইবা ওইনা ভিক্টোরিয়ানা ফোঙদোরকপা ৱাফমশিংদি লৈঙাক্লা আই দি পিশিংগীদমক কায়থরকপা শেনফম অমদি লৌখৎলকপা থৌরাং কয়া অসি মরী লৈনবশিংনা থবক্তা ওন্থোরকপা পাম্মী। আই দি পিশিংদা ময়েক শেংনা খঙহনবীবসু পাম্মী। অদুগা লান অসি অসুম্না ৱারোইশিন পুরক্তনা ঐখোয়বু কয়াম কুইনা রিলিফ কেম্পতা লৈহনখিদোইনো হায়বসিসু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ময়েক শেংনা খঙহনবীয়ু হায়রকখি।

## য়ু জি অমা ফাবদগী খূৎশু-খূৎলায় কয়া রিকোভর তৌরে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচএনএস) :** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা পুলিস, সী আর পি এফ অমসুং এ আরনা ঙসি য়াইরিপোক মালোম মমাঙ লৈকায়দগী হৌজিক্লা ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকায়দা লৈরবা আর পি এফ/পি এল এগী কোইজম ইবোচৌবা এলিয়জ ইনাও এলিয়জ সুমো এলিয়জ সোমো এলিয়জ পান্সারেং (৪৫) কৌবা মেজরনি হায়বা কাদর অমা ঙসি শগোলবন্দ নেপ্রা মেঞ্জোর লৈকায়দা লৈবা অশানবা য়ূম অমদগী ফারে হায়রি।



মহাক কুমজা ২০১৭তা শজিক তম্পাক্তা ৪-এ আরদা এম্বুশ তৌখিবগা মরী লৈননা ৱান্টেদ ওইরিবা কাদরনি হায়রি।

মহাক্না ফোঙদোরকপদগী ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী খরুংপাৎতা লৈবা ফার্ম অমগী প্লাষ্টিক দ্রম মনুংদা হাপ্লগা থম্লম্বা খূৎশু-খূৎলায় কয়ামরুম রিকোভর তৌরে হায়রি।

চেরোল অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫